# লময়ানবা পাখঙগী শঙলেন্দা ইহান হান্না ঐহাক জিম্নাষ্টিক্স শান্নবা হৌরকখি ঃ য়ূমলেম্বম ইবোমচা



য়ূমলেম্বম ইবোমচা (জিম্নাষ্টিক্স প্লেয়র)



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## জিম্নাষ্টিক্সতা মিৎয়েং অমা

শান্ন-খোৎনবা হায়বসি কাঙলোন চুন্না নেসনল থাক্তা মফম কনবা ঙম্লবদি থবক-ইনখাং ফংদুনা হিংনবগী উপাই অমা ওইবসু য়াই। স্পোর্টসকী পৱার হাওসনি হায়না খঙনরিবা মণিপুরদগী তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াদা থবক চঙনখিবা প্লেয়র কয়া অমসু লৈরি। ঙসিদি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা মণিপুরী মচা ময়াম অমা শান্নবদা অচৌবা মফম কন্দুনা মায় পাক্লা হিংনরি।

থোইদোক্লা জিম্নাষ্টিক্স মশান্নদা চান্দিগড়দা থবক তৌদুনা লৈখ্রবা জিম্নাষ্ট অমা ঙসিগী কলমসিদা লৌখৎচরি। কুমজা ১৯৭৭ তা ৱাংখৈ কোন্সম লৈকায়, য়ূম্লেম্বম কোল্লুপ্তা লৈবা য়ূম্লেম্বম প্রমোদচন্দ্র অমদি য়ূম্লেম্বম ওংবী মেমচা দেবীগী মচা মঙাগী (নুপা অহুম, নুপী অনী) মনুংদা মরিশুবা মচা ওইনা ৱাই ইবোমচা তাইবঙদা খোঙদারকখি।

মহৌশানা ৱাংখৈ হায়বসি হোকি অমদি ফুটবোলনা হেন্না পাম্নবা মফম ওইজরগসু ইবোমচাদি পীক্লিঙৈ মতমদগী জিম্নাষ্টিক্স শান্নবা থোইদোক্লা পামজরকখি। টি ভিদা ভিম্নাষ্টিক্সকী মশান্নশিংগী চেম্পিয়নশিপনচিংবা লাকপদা অঙাং ওইরিঙৈদগী থৱায় তানা য়েংবা হৌরকখি।

গেম মখল অসিগী শান্নফম কদাইদা লৈবগে হায়বসি মশাগী চহী ১২/১৩ দগী থিবা হৌরকখি। কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা জিম্নাষ্টিক্স শান্নফম লৈ হায়বসি খঙলকখি। অদুদগী মহাকসু সাইকল অমা তোংদুনা লময়ানবা পাখঙগী শান্নফম তান্না চৎতুনা চাং নাইনা শান্নবা হৌরকখি।

ইবোমচানা জিম্নাষ্টিক্স শান্নবা হৌরকখিবসি কুমজা ১৯৯০ গী মতমদগীনি। অহানবা ওইনা মঙোন দা মশান্না অসিগী কাঙলোনশিং তন্বীবা হৌরকখিবসিদি কোংবদা লৈবা জিম্নাষ্টিক্সতা এন আই এস লোইরবা ওজা ইবোপিশক হায়বসিননি।

জিম্নাষ্টিক্স মশান্নদা মথং মথং খোঙ থাংজিল্লকপগী মতাংদা ইবোমচানা অসুম্না হায়, কুমজা ১৯৯০ দা ঐহাক্লা লময়ানবা শঙলেন দা শান্নবা চৎচবা মতমদু জিম্নাষ্টিক্স শিথরকপা মতমনি।

ত্রেনিং কন্না তৌবা মফমশিংগী মনুংদা লময়ানবা শঙলেনসিসু অমা ওইরম্মী। চাউরাক্লা শান্নরোয় ৩০/৪০ হেন্না ত্রেনিং তৌরম্মী। ওজাসিসু, মথং মথং থেংনজরকখি। কোংবগী ওজা ইবোপিশক্কী মথংদা, য়াইস্কুলগী ওজা ইবোপিশক (য়ুথ এফেয়রস এন দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা কোচ ওইরম্বা), ওজা ভুনেন (হৈরাঙ্গোইথোংদা লৈবা) অদুদগী ওজা পৃথিলাল (হৌজিক সাইগী কোচ ওইরিবা) ময়ামসিনা ত্রেনিং পীরকখি। ওজা ময়ামসিনা ত্রেনিং ফজনা তৌবীরকপদগী ঐহাক ষ্টেট লেভেলদা শান্নবা অদুম হৌরকখ্রে।

কুমজা ১৯৯১ দগীদি ষ্টেট লেভেলদা মেদল লৌবা ঙমখ্রে। নাইন্টিন নাইন্টিজগী মতমদা জিম্নাষ্টিক্সতা য়াম্না ফজনা শান্নবা ষ্টেটকী ওইনা অরিংবা ক্লবসি নেগো ক্লব খুরাই, ৱাই এম দি (হৈরাঙ্গোইথোং মাইবম লৈকায়), য়াইস্কুলদগী শান্নরোয় মরি, মঙা, থৌবালরোমদগীসু মী অনী/অহুম, লময়ানবা পাখঙদা ঐখোয়সি শান্নে।

জিম্নাষ্টিক্সকী মনুং চনবা ইভেন্টসিদা ঐহাক্লা শান্নজরিবা মশান্নসিনা এরোবিক, আর্টিষ্টিক্স অমদি ত্রামপোলিন হায়বসিনি। হেন্না পামজনা থৱায় য়াওনা শান্নজবসিনা আর্টিষ্টিক্সতনি। এরোবিকসিদসু ঐহাক মেদলিষ্টনি। ত্রামপ্লোনসিদসু নেসনলদা শিলভর মেদল, ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

লোয়ননা ঐহাক্লা মপূং ওইনা শান্নজরিবা আর্টিষ্টিক্স জিম্নাষ্টিক্স অসিদসু মেদল কয়া অমা লৌবা ঙমখ্রে। ঐহাক্লা থবক চঙবা ফংখ্রিবসিসু মশান্নসিদা মায়পাক্লা শান্নজরকপদগীনি।

জিম্নাষ্ট অমা ওইনা চান্দিগরগী ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) দিপার্টমেন্টতা ঐহাক্লা থবক চঙজবা ঙমজরকখিবসিমদি ওজা দল্লিয়ু ইনাওবী সিংহনা গাইদ তৌবিরম্বদগীনি। ওজা ইনাওবীসি মণিপুরদা কুমজা ১৯৯৯ গী ফেব্রুৱারী থাদা ষ্টেটসিনা হোষ্ট ওইরগা পাঙথোকখিবা 'ফিফ নেসনল গেমস' কী মতমদুদা লাকপীরম্মী। মদু তশেংবদি অনৌবা জিম্নাষ্টিক্স প্লেয়র রিক্রুইটমেন্ট তৌননবগীনি । ওজানা লাকপীরম্বসিদা শান্নরোয় খরা থবক লৌগনি অদুনা নেসনল গেমস হেক লোইবগা চান্দিগরদা থবক এপ্লাই তৌবা লাকউ হায়দুনা গাইদ লাইন অমা পীবিরমখি।

ঐনা শান্নজরিবা ইভেন্টতু মরু ওইনা লৌগনি হায়বদুদা ঐহাকসু নেসনল গেমস লোইবগা চৎচখি। মরমদি মতমদুদা হিংনবগী পান্বে অমা ওইনা থবক তৌনা তৌনা ফজনা শান্নগে হায়বগী ৱাখলসিসু লাকখি। থবক চঙবা হায়বসিসু মতাং চাহৌদ্রগদি ফংলোইদ্রা হায়বগী চিংনবসু অদুম লৈজে। অদুনা মতাং চানা অদুগুম্বা অমা হায়বীরম্বদুদা ফিফ নেসনল গেমস হেক লোইবগা চানি দগর তানা চৎতুনা এপ্লাই তৌজখি।

-মথং-মথং

# লিএন্দর পেসনা মেক্সিকো চেলেঞ্জরসকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ৩১ :

লিএন্দর পেস অমদি মহাক্কী পার্টনর কানাদাগী অদিল শমাসদিন্না মেক্সিকোদা চথরিবা দোলর ৭৫,০০০ চেলেঞ্জরস টেনিস টুর্নামেন্টকী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়ু এস এগী ষ্টেফান কোজিরোভ অমদি নেদরলেন্দসকী ইগোর সিজষ্টলিংবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

সেমী ফাইনেল মেচতা অহুমশুবা সীদেদ পেস অমদি মহাক্কী পার্টনর শমাসদিন্না ঔসিজগী লুক সভিল্লে অমদি জোন-পেত্রিক স্মিথকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

সভিল্লে অমদি স্মিথনা টোপ সীদ পুরভ রাজা অমসুং দিবিজ সরনবু টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীরমখিবনি।

অমরোমদা ইটালিদা চথরিবা দোলর ৭৫,০০০ আই টি এফ ৱিমেন'স ইভেন্টকী দবলস সেমী ফাইনেলদা প্রর্থনা থোম্বারে অমদি মহাক্কী পার্টনর নেদরলেন্দসকী ইভা ৱাকানোনা আর ও য়ুগী ইরিনা মারিয়া বারা অমদি টর্কিগী বাসক ইরেদিনবু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

অমরোমদা ইজিপ্তা চথরিবা আই টি এফ ৱিমেন'স ইভেন্টতা নাটাসা পালহানা সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল অমদি দবলসকী সেমী ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

ইন্দোনেসিয়াগী জকার্টাদা চথরিবা দোলর ১৫,০০০ আই টি এফ মেন'স টেনিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা চাইনিজ টাইপৈগী য়ু হসিয়া চিয়ুনা কুরুনুদে সিংহবু ৬-৩, ৩-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী সেমী ফাইনেলদা জর্মনিগী পিরমিন হানলে অমদি কুরুনুদে সিংহনা ওষ্ট্রিয়াগী জেক দিলেনে অমদি মেক্স পুরসেলবু ২-৬, ৬-৩, ১০-৮ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা ন্যু দেল্লিগী দি এল টি এ কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা এসিয়া ওসিনিয়া জুনিয়র ফেদরেসন কপ অন্দর-১৬ টেনিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীমচাশিংনা মালেসিয়াবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ১১ শুবা মফমদা লৈখি।

ইন্দিয়াগী সাই দিদীপয়ানা জুলিয়ানা সালিনি গানেন্দ্রবু ৬-০, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। সারিফা ইলসা ৱান অবদুল রহমন্না হুমেরা সাইকপু ২-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৩) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা জপান্না থাইলেন্দবু ২-০ দা মায়থীবা পীখি। জপানগী নাটো সাটোনা থাইলেন্দগী নাপাট নিরুদোর্নবু ৬-৪, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। য়ুকি নাইটোনা থাসাপোর্ন নাকলোবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা মফমগীদমক চাইনিজ টাইপৈনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা মফম কনখি। চাইনিজ টাইপৈগী জোনা জেসি গার্লেননা অম্বর মার্সেলবু ৭-৬ (৫), ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।

কুআন য়ি লীনা ওলিবিয়া জদেক্কিগী মখূৎতা ৬-০, ২-৬, ২-৬ তা মায়থীখি। দবলসতা জোনা জেসি গার্লেন অমদি কুআন য়ি লীনা ওলিবিয়া গদেকি অমদি টেলা হ্বাইটহাওসপু ৪-৬, ৬-১, ১০-২ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা জপান্না অহানবা, থাইলেন্দনা অনীশুবা, চাইনিজ টাইপৈনা অহুমশুবা, ওষ্ট্রেলিয়ানা মরিশুবা, হোংকোংনা মঙাশুবা, চিনানা তরুকশুবা, ন্যুজিলেন্দনা তরেৎশুবা, উজবেকিষ্টান্না নিপানশুবা, কোরিয়ানা মাপনশুবা, ইন্দোনেসিয়ানা তরাশুবা, ইন্দিয়ানা ১১ শুবা, মালেসিয়ানা ১২ শুবা, পেসিফিক ওসিনিয়ানা ১৩ শুবা, কাজখষ্টান্না ১৪ শুবা, কিরগিষ্টানননা ১৫ শুবা অমসুং শ্রী লঙ্কানা ১৬ শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

# কেনিয়াগী রুদিসানা সঙহাই দাইমন্দ লীগতা শরুক য়াগনি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ৩১ :

ওলেম্পিক অমসুং ৱর্ল্ডগী মিটর ৮০০ গী চেম্পিয়ন কেনিয়াগী দেভিদ রুদিসানা লাক্লিবা মে ১৩ দা চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সঙহাই দাইমন্দ লীগতা মহাক্কী সিজন লোঞ্চ তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা লন্দন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদুনা মহাক্কী গোল্ড মেদল লৌননবগীদমক অচেৎপা ফিরেপ থল্লিবা রুদিসানা প্রেমিয়র চাইনিজ গ্রান্দ প্রী অসিদা শক্লাইরবা ষ্টার কয়াবু লুচিংগনি।

মহাক্লা হায়খি, চিনাদা অমুক হন্না শরুক য়াদুনা চাংদম্নগদবা অসিনা ঐবু পূক্নিংদা অপেনবা পোকহল্লে। ঐনা মখোয়গী ফেনশিং অমদি মখোয়গী ষ্টেদিয়মবু নুংশি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।




HL-B/3755/11/3-10/4

লেঙশিনবিরকউ/
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।
ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা
হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স




# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৬

1. অহানবা নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিবেল কুমজা ১৯৮৭ তা ইম্ফালদা পাঙথোকখি। গেমস অদুদা সনাগী মেদল ৬ ফংখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।
2. থোঙাম কৃতি সিংহ মেমোরিএলগী অহুল্লকশুবা ত্রোফি করম্বা গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবগে?
3. মখুরানা পাকিষ্টানগী জেনরেল ওইরম্বা, মশামক্লা ইন্দিয়াগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) ওইনবা ভোট লেপ্পদা কাখিদবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই?
4. মণিপুরগী চৎনবী মতুং ইন্না থংনবা থা অনীগী তঙ্খায় তঙ্খায় শগোল কাংজৈ শান্নবা য়ারমদে। শগোল কাংজৈ শান্নবা য়াদবা থা তঙ্খায় অনী অদুগী মমিং হায়য়ু।
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫ শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪৫ গী পাউখুমশিং

(১) Udayan (২) Hansie Cronje (৩) কাং শান্নবা
(৪) Jujitsu or Jujutsu (৫) Parry O'Brien

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪৫ গী পাউখুম মরি চুম্না পীবিরকখিবদি

(১) খ্বাইরাকপম অরুনকুমার সিংহ, ঙাইখোং খুলেন মনিং লৈকায় (২) থোকচোম রবিচন্দ্র, কোংবা লাইশ্রম লৈকায় (৩)টি ঐচ সুশিলা দেবী, অয়াংপল্লি মমাঙ (৪) টি ঐচ জেমস সিংহ, কোংবা ***(৫) মুতুম মালেমঙানবা, খোংজোম খেবচীং*** (৬) কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার (৭) সি ঐচ সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার (৮) এম বুধ সিংহ, চীংঙামখা মৈস্নাম লৈকায় (৯) থোকচোম বাবুমচা সিংহ, ঙাইখোঙ খুল্লেন মনীং লৈকায় (১০) নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায় (১১) কৈশাম রোনাল্ড সিংহ, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা (১২) কে ঐচ মথঙ, শুগুনু (১৩) থিঙুজম দিঙ্কু, থৌবাল কিয়াম (১৪) নেপোলিয়ন ওইনাম, থাঙ্গলৱাই সাবন লৈকায় (১৫) তোংব্রম জিবোন সিংহ, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪৫ গী ৱিন্নর

*মুতুম মালেমঙানবা, খোংজোম খেবচীং (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)*

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৪৫ গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

**এপ্রিল ০২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

# চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল্লরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিং খন্দুনা এ আই এফ এফ অন্দর-১৬ ফুটবোল একাদেমিদা লৈনবগীদমক লমদমসিদগী শান্নরোয়শিং লৌননবগী এপ্রিল ১০ অমসুং ১১ গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা এ আই এফ এফকী স্কাউটিং টিম অমনা খল্লগনি।

হায়রিবা ত্রাইএল অসিদা য়াওনবগীদমক খল্লবা শান্নরোয়শিংদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী পি ঐচ বিকাস অমসুং ফরুক শাহানি। দি এস এ চান্দলদগী ৱাথাংখু, দি এস এ ককচীংদগী কে কোনালিস, এন রোহিট, কে এস ঐচ মহেশ্বর অমসুং টি ঐচ সাটিসনি। দি এফ এ মোরেদগী এ অমুজাও অমসুং লানঙম্বা মীতৈনি।

দি এস এ সদর হিলসতগী থৌগৌলাল কিপজেন, থৌলৈসে হাওকিপ, থাংলেনকাই হাওকিপ অমসুং খিঙ্গুহাওজেল হাওকিপ, দি এস এ উখ্রুলদগী থাংভার রগুই অমসুং মতাইসাংনি।

দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী আই সন্তোস, ও রঞ্জন, এন ধনবির অমসুং টি ঐচ সনাথোইনি। দি এস এ সেনাপতিদগী পাওলেনমোর চোংলোই, লিমশাংগাই হুংদিম, দি এস এ চুড়াচান্দপুরদগী মুঙ্খালিয়ান, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন্দগী খৃষ্টোফর, ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুটবোল এসোসিএশন্দগী কে ঐচ প্রভানন্দা, দল্লিয়ু দ্রাবিদ অমসুং এন ইংসননি। দি এফ এ থৌবালদগী টি ঐচ বর্লিন অমসুং এম ধনচন্দ্রনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেট অমসুং অধার কার্দশিং থা অসিগী ৭ কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা অম্ফাগী ওফিসতা লাক্তুনা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

# বি সী রোই ত্রোফিগী কোচ অমসুং মেনেজর খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : উরিষাগী কটক্তা এপ্রিল ২২ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬-১৭ ফোর বি সী রোয় ত্রোফিদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর জুনিয়র ফুটবোল টিমগী কোচ অমসুং মেনেজর খনখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না ডোক্তর বি সী রোই ত্রোফি জুনিয়র নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিগী টিম কোচ ওইনা এ এফ সী 'বি' লাইসেন্স এন সিবানন্দা অমদি টিম মেনেজরনা মোহম্মদ জানে খান খনখ্রে হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## রোজিৎ মীতৈ খনখ্রে


ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : এপ্রিল ২৮ দগী মে ২ ফাওবা কোলকটাগী কৈলানি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৮ আই লীগ ২০১৬-১৭ কী ফাইনেল রাউন্দদা ওফিসিএট তৌননবগীদমক মণিপুরদগী রোজিৎ মীতৈ লাইশ্রম খনখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। রোজিৎ লাইশ্রমনা কোলকটাগী কৈলানি ষ্টেদিয়মদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ২৮ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ২০১৭ হয়েং লোইশিল্লগনি। হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং দি এফ এ থৌবালগা শান্নগনি। অনীশুবা অমদি অরোইবা লীগ মেচ নুংথিল পুং২.৪০ তাবা মতমদা দি এস এ বিষ্ণুপুর অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা শান্নগনি।

## রোৱরশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর রোয়িং এসোসিএশন্দা এফিলিএট তৌবা ক্লব অমসুং এসোসিএশনশিংগী রোৱরশিং অমদি নৌনা রোৱর ওইনিংবশিংনা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারগনি। লোয়ননা চহী অসিগী রেজিষ্ট্রেসনগী রিন্যুএলসু তৌবা য়ারগনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা রোৱরশিংনা এপ্রিল ১০ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর রোয়িং এসোসিএশন্দা লাক্তুনা রেজিষ্ট্রেসন অমদি রিন্যুএল তৌবা য়ারগনি হায়না মণিপুর রোয়িং এসোসিএশনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



HL-B/3720/01/3-02-4